# ১২শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০১৭ঃ–
# এস এস যু অমদি নেরোকা এফ সি মায় পাকখ্রে





ইম্ফাল, ওক্তোবর ০১ঃ
খুমুকচম ইঙোচা সিংহ মেমোরিয়েল ত্রষ্টনা পুথোক্তুনা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন (অম্ফা)না শিন্দুনা টিম ১২না গ্রূপ ২ থোক্না খায়দোক্তুনা আর্টিফিসিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দ খুমন লম্পাক্তা চথরিবা ১২শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০১৭গী ঙসিগী অহানবা মেটচতা এস এস যু শিংজ মৈনা ৱাই পি ঐচ যু ললাম্বুংবু গোল ১–০দা অমদি অনিশুবা মেটচতা নেরোকা এফ সি সঙাকফমনা এফ সি জালেন কাংপোকপিবু গোল ৬–১দা মায়থিবা পিখ্রে।

চথরক্লিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ৩২শুবা লীগ মেটচ ওইনা নুমিৎযুংবা মতুং পুং ১২.১৫দগী হৌখি। ঙসিগী অহানবা লীগ মেটচতা ৱাই পি ঐচ যু ললাম্বুং অমদি এস এস যু শিংজমৈ অনিনা লম্বা চানা অকনবা এটেক্ততৌদুনা শান্নখি। অদুবু অহানবা হাল্ফকী অপিবা মতমদা নাকল অনিমক্না গোল অমফাওবা চন্নবা ঙমখিদে।

অনিশুবা হাল্ফ হৌরকপদসু নাকল অনিমক্না মাগী মাগী টিম মায় পাকনবা ৱাখল্লোন্দা কন্না শান্নরকপদা মেটচ অসিগী ফুল টাইম ৯০ শুবা মিনটতা এস এস যু শিংজমৈগী টি ঐচ শ্রিভাসনা গোল ১ স্কোর তৌবদগী মেটচ অদু মহাক্কী টিমনা মায় পাকখি।

মেটচ অসিগী মিনট ৪৪ চৎপদা এস এস যুগী ও প্রমেশ্বর অমদি মেটচ অসিগী এদিস্নেল টাইমদা আর কে রোবিনবু রেফরিনা য়েলো কার্দ বুক তৌখি।

মেটচ অসিদা এন ইবুঙোনা সেন্তর রেফরি, অনন্দনা এ আর ১, হরিমোহোননা এ আর ২ অমদি টুনেশ্বরনা ফোর্থ রেফরি ওইখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৩৩শুবা ঙসিগী ওইনা অনিশুবা লীগ মেটচতা নেরোকা এফ সি সঙাকফম অমদি এফ সি জালেন কাংপোকপিগা লম্বা তৌনদুনা শান্নখি। মেটচ অসি অহানবা হৌরকপদা টিম অনিমক্না লম্বা চানা শান্নরবসু খরা হৈ–শিংবা হেনখিবা নেরোকা এফ সিনা মেটচ অসি কন্ত্রোল তৌশিল্লকপগা লোয়ননা য়াম্না লাকচনা গোল ৬–১দা এফ সি জালেনবু মায়থিবা পিখি।

নেরোকা এফ সিগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু মেটচ অসিগী মিনট ১৯ চৎপদা সি ঐচ সুশিলকুমারনা গোল ১, মিনট ২৬ অমদি ৮৩ চৎপদা ফেলিক্স ওদিলিনা গোল ২, মিনট ৩১ চৎপদা এন জি রোনাল্ডনা গোল ১, মিনট ৩৩ চৎপদা এস সুভাসনা গোল ১ অমদি মিনট ৮১ চৎপদা ৱাই গোপিনা গোল ১গা চনখি।

মায়থিহৌরবা এফ সি জালেনগী অমত্তা ঙায়রবা গোল অদুনা মেটচ অসিগী ৪৪শুবা মিনটতা পাউলেনলাল কে ঐচনা চনখিবনি।

মেটচ অসিগী মিনট ৬২, ৭২ অমদি ৭৭দা নেরোকা এফ সিগী মথংসিংনা কেল্লোন ভরনি, দেবিদ লালবিয়াকজারা অমদি মিনট ৩৬ অমসুং ৭৬তা এফ সি জালেনগী ইমরান খান অমদি টি ঐচ সঙ্করবু রেফরিনা য়েলো কার্দ বুক তৌখি।

মেটচ অসিদা আই রবিচন্দ্রনা সেন্তর রেফরি, রিনকাহাউ ভাসুমনা এ আর ১, এস তোম্বীনা এ আর ২ অমদি ৱাই সমর্জিৎনা ফোর্থ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা হয়েংগী অহানবা মেটচতা দি এম রাউ অৱাং সেকমাইগা নিসা থাংমৈবন্দগা অমদি অনিশুবা মেটচতনা নাকো নম্বুল মপালগা মুভানলাই সদরহিলসকা লম্বা তৌনদুনা শান্নরগনি।

**12th Manipur State League 2017-18**

| Teams | P | W | D | L | GF | GA | GD | PTS |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| KLASA | 5 | 5 | 0 | 0 | 6 | 1 | +5 | 15 |
| NFC | 6 | 4 | 1 | 1 | 18 | 5 | +13 | 13 |
| SU | 5 | 4 | 0 | 1 | 6 | 1 | +5 | 12 |
| AIM | 6 | 3 | 2 | 1 | 8 | 4 | +4 | 11 |
| TRAU | 6 | 2 | 2 | 2 | 6 | 5 | +1 | 8 |
| SSU | 6 | 2 | 2 | 2 | 4 | 6 | -2 | 8 |
| DMRAO | 5 | 2 | 0 | 3 | 6 | 5 | +1 | 6 |
| FCZ | 6 | 1 | 3 | 2 | 7 | 11 | -4 | 6 |
| MA | 5 | 1 | 2 | 2 | 8 | 9 | -1 | 5 |
| NISA | 5 | 1 | 1 | 3 | 5 | 8 | -3 | 4 |
| YPHU | 6 | 0 | 2 | 4 | 1 | 10 | -9 | 2 |
| NACO | 5 | 0 | 1 | 4 | 4 | 14 | -10 | 1 |

| TODAY'S RESULT | GOAL |
|---|---|
| SU - YPHU | 1 - 0 |
| NEROCA FC - FCZ | 6 - 1 |

2-10-2017 MATCH
DMRAO VS NISA
NACO VS MA

# ফার্ষ্ট প্রসিদেন্টস কপ অন্দর ১৪ মেন এন্দ ৱুমেন হোক্কি চেম্পিয়ন্সিপ
## নুপীগীদা ফামগা ৱাইসিসিআইসিগা অমদি নুপাগীদা ফামগা ঐচ য়ুগা ফাইনেল শান্নরগনি

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০১ঃ
মণিপুর হোক্কিনা শিন্দুনা নুপাগী টিম ৯ অমদি নুপীগী টিম ৬না শরুক য়াদুনা খুমন লম্পাক হোক্কি ষ্টদিয়মদা থা অসিগী ১৭তগী চথরক্লিবা প্রসিদেন্টস কপ অন্দর ১৪ মেন এন্দ ৱুমেন হোক্কি চেম্পেয়ন্সিপ ২০১৭কী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী অনিশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা ৱাই আই সি সি কোম্বা অহল্লুপনা বি দি ঐচ এ বিষ্ণুপুরবু ৮–০দা অমদি নুপাগী অনিশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতনা ফাম য়াইস্কুলনা ৱাই সি সি আই সি কোম্বা অহল্লুপ্পু গোল ২–০দা থোইখ্রে।।





চথরক্লিবা টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী অনিশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা ৱাই সি সি আই সি কোম্বা অহল্লুপ অমদি বি দি ঐচ এ বিষ্ণুপুর অনিনা লম্বা তৌনদুনা শান্নবদা ৱাই সি সি আই সিনা য়াম্না লাকচনা গোল ৮–০দা বি দি ঐচ এবু মায়থিবা পিখি।

মেটচ অসিদা ৱাই সি সি আই সিগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু মেটচ অসিগী মিনট ১ অমদি ১০দা এস বেবিরানিনা গোল ২, মিনট ৫, ২৯, ৩০ অমদি ৩৩দা রীনা কোইজমনা গোল ৪, মিনট ২৩দা আই কুন্দালিনা গোল ১ অমদি মিনট ২৫দা কে এলিনা গোল ১গা চনখি।

ঙসি শান্নখিবা নুপাগী অনিশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতনা ফাম য়াইস্কুল অমদি ৱাই সি সি আই সি কেম্বা অহল্লুপ অনিনা লম্বা তৌনখি। মদুদা ফামনা গোল ২–০দা ৱাই সি সি আই সিবু মায়থিবা পিখিবনি।

মেটচ অসিদা ফামগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু মেটচ মিনট ১২ চৎপদা এন দত্তনা গোল ১ অমদি মিনট ৪১দা পিঐচ কেনেদিনা গোল ১গা চনখি।

থা অসিগী ৩দা পাঙথোক্কদবা নুপীগী ফাইনেল মেটচতা ফামগা ৱাই সি সি আই সিগা অমদি নুপাগী ফাইনেলদনা ফামগা ঐচ য়ুগা লম্বা তৌনরগনি।

# অহানবা ওইনা ফিফা ৱার্ল্ড কপ্তা এসিস্টেন্ট নুপী রেফরি য়াওরগনি



ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ১ঃ
থা অসিগী ৬তগী ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা চহি ১৭ মখাগী ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিদা অহানবা ওইনা নুপী এসিস্টেন্ট রেফরি শরুক য়াগনি।

ফিফা নুপাগী টুর্নামেন্টকী নুপী এসিস্টেন্ট রেফরি ওইনা শরুক য়াগদৌরিবা অসি হন্দক্কী অসিনা অহানবা ওইরিবনি। ফিফাগী মাইকৈদগী ফোংদোরকপদা নুপাগী কম্পিটিসনদা খল্লগৎলবা নুপী সপোর্ট রেফরিশিংনা শরুক য়াবগী মতম ওইরে হায়খি।

হন্দক্কী চহি ১৭ মখাগী ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগীদমক্তা ফিফানা নুপীগী সপোর্ট রেফরি ৭ খনগৎখি। ফিফাগী হেদ ওফ রেফরিং মসিমো ভুসাখানা ফোঙদোকখিবদা হৌখিবা চহিদা নুপী রেফরিশিং অসিনা নুপাগী ওফিসিয়েলশিংগা পুন্না থৌ পুমিন্নখি। হৌজিক্তী কম্পিটিসন অমদা নুপা অমদি নুপী ওফিসিয়েলশিং পুন্না মেটচ কন্দক তৌবা অদুগী মতম ওইরে হায়খি।

থা অসিগী ৬তগী ২৮ ফাওবা ইন্দিয়াগী সিটি ৬তা শান্নগদৌরিবা চহি ১৭ মখাগী ফিফা ৱার্ল্ড কপগী মেটচ ৫২ অদু ওফিসিয়েট তৌনবা ফিফানা নুপা রেফরি ৭০ অমসুং নুপী রেফরি ৭ খনগৎখিবনি। নুপী রেফরিশিং অসি কন্টিনেন্ট অমমদগী অমমম খনগৎলকপনি।

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনদগী রেফরি ৮ অমদি এসিস্টেরেফরি ৮ ফিফা ওফিসিয়েল ৭৭ অসিগা লোয়ননা মসিগী ত্রেনিং মখা ফংগদৌরিবনি। খোঙথাং অসি ফিফাগী মাইকৈদগী অহানবা ওইনা পায়খৎপনি। এ আই এফ এফকী দাইরেক্টর রেফরিস গৌতম গরনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। ঙরাংদগী কলকতাগী সাইদা হৌখিবা রেফরিশিংগী ত্রেনিং প্রোগ্রাম অদু ওক্টোবর ৫ ফাওবা চথগদৌরি।

# ত্রাইয়েল কম ফাইনেল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১ঃ
থা অসিগী ৮গী অয়ুক পুং ৭ তগী হৌদুনা ষ্টেট সেনিয়র মেন্স বোক্সিং টিমগী ত্রাইয়েল কম ফাইনেল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি হায়না মণিপুর এমেচর বোক্সিং এসোসিয়েসননা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা ত্রাইয়েল অসিদা শরুক য়াগদবা বোক্সরশিং অদু ইং ১৯৭৭ তগী ১৯৯৮ ফাওবগী মনুংদা পোকপা ওইগদবনি অমদি সেলেক্সন অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা বোক্সর খুদিংমক্না মখোয় মখোয়গী প্লেয়িং কিটস পুরক্কদবনি হায়রি।

নাকল অমরোমদা দিষ্ট্রিক্ট য়ুঠ এফিয়র্স এন্দ স্পোর্টস ওফিসর, তমলোংনা শীন্দুনা ইন্টর স্কুল গেমস ২০১৭ অন্দর–১৯ (বোইস) ফুটবোলগী ত্রাইয়েল সেলেক্সন থা অসিগী ৩ দগী ৪ ফাওবা স্পোর্টস কমপ্লেক্স লোৱার গ্রাউন্দ তমেংলোংদা পাঙথোক্লগনি। তমেলোং দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈবা থৱায় য়াওবা স্কুল অমদি ষ্টুদেন্টশিংনা দিষ্ট্রিক্ট য়ুঠ এফিয়র্স এন্দ স্পোর্টস ওফিস তমেলোংদগী এন্ত্রি ফোর্ম লৌরবা য়াগনি হায়রি।

# মণিপুর কম ইন্দিয়া টিম ঙসি ইম্ফাল থাদোক্লগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১ঃ
থা অসিগী ৭ অমদি ৮ দা মহারাষ্ট্রগী ছত্রপটি সিভাজি ষ্টেদিয়ম, পুনেদা পাঙথোক্কদৌরিবা বেট্টল ওফ চেম্পিয়ন্স, ইন্টরনেসনেল ওপন ক্যোকুশিন করাটি চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়ারুনবা মণিপুর কম ইন্দিয়া টিম হয়েং ইম্ফাল থাদোক্লগনি।

চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা শরুক য়ারুগদবশিং অদুদি চবুংবম নোংশামৈ, কে ঐচ লখান সিংহ, টি ঐচ খোঙসাই, কে ঐচ তেনদেনবা মৈতৈ, ৱাই সান্তা সিংহ অমদি এন সঞ্জয় মৈতৈ নি। টিম কোচ কম ওফিসিয়েলদা সি ঐচ প্রেমচন্দ্র সিংহ প্রসিদেন্ট এন্দ চিফ দাইরেক্টর, এআইকেকেএফ / কেএএম না শরুক য়াগনি।

# অহানবা সন্দে কপ ২০১৭

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১ঃ
সন্দে ক্লবনা শিন্দুনা টিম ১৩না গ্রূপ ২ থোক্না খায়দোক্তুনা থা অসিগী ১৩দা খুদৈবন্দ স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা হৌদোক্তুনা নোংমাইজিং খুদিংগী চথরক্লিবা ফার্ষ্ট সন্দে কপ ২০১৭গী ঙসি মহারবি গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ ৩দা য়ু ভি এস এ লিল্লোং চজিং, রেদ বুল এফ সি অচানবীগৈ মহারবি মায় পাকখ্রে অমদি এল ৱাই সি অঙথাগা পুলিস টিম ইম্ফালগা শান্নগদবা মেটচ অমদা পুলিস টিম লাক্তবদগী এল ৱাই সি অঙথানা ৱাক্ক ওভর ফংখ্রে।

ঙসি অহানবা মেটচতা য়ু ভি এস এ লিল্লোং চজিংগা য়ু কে এফ সি লমাংগা লম্বা তৌনখি। মদুদা য়ু ভি এস এনা গোল ১–০দা য়ু কে এফ সি বু মায়থিবা পিখি।

মেটচ অসিদা য়ু ভি এস এগী মায় পাকপগী অমত্তা ঙায়রবা গোল অদু মেটচ অসিগী ৪০শুবা মিনটতা কে ধননজয়না চনখি।

অনিশুবা মেটচতা এল ৱাই সি অঙথাগা পুলিস টিম ইম্ফালগা লম্বা থেংনগদবদা পুলিস টিম লাক্তবদগী এল ৱাই সিনা ৱাক্ক ওভর ফংখি।

ঙসিগী অহুশুবা মেটচতা রেদ বুল এফ সি অচানবীগৈ মহারবি অমদি এফ সি ইম্ফাল অনিনা লম্বা তৌনখি। মদুদা রেদ বুল এফ সিনা গোল ২–০দা এফ সি ইম্ফালবু মায়থিবা পিখি।

মেটচ অসিদা রেদ বুল এফ সিগী মায় পাকপগী গোল ২ অদু মেটচকী মিনট ৩৪ চৎপদা কে ঐচ কৃষ্ণমোহোননা গোল ১ অমদি মিনট ৪৫ চৎপদা এল অনন্দনা গোল ১গা চনখি।

# মণিপুরগী লিফটর ৪ এসিয়ান ক্লাসিক পৱারলিফটিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৭তা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়ান টিমদা খল্লক্লে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১ঃ
এসিয়ান ক্লাসিক পৱারলিফটিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৭ দা ইন্দিয়ান টিমদা শরুক য়াগদবা মণিপুরদগী লিফটর ৪ খল্লক্লে।



লিফটরশিং অদুদি নুপীগী সেনিয়রদা নাওরেম বাবিতা দেবী (কেজি ৭২) শিংজমৈ ককৱা নাওরেম লৈকায়দা লৈবা নাওরেম অঙৌবা সিংহ অমদি নাওরেম ওংবী মংলেম্বী দেবী অনীগী মচানুপী অতোম্বীনি।

লাইশ্রম মেমোলি দেবী (কেজি ৬৩) য়াইরিপোক লাই মনাইদা লৈবা লৈখিদ্রবা মোহোরি অমসুং এল ওংবী থোইবী দেবীগী মচানুপী অহলনি। জুনিয়রদা লক্ষমি নিংথৌজম (কেজি ৬৩) পিশুমথোং নোংথৌবম লৈরক্তা লৈবা এন ধনেশ্বর অমসুং এন ওংবী রোমোলা দেবী অনীগী অনীশুবা মচানুপীনি।

নুপাগী সব–জুনিয়রদা সোরাম সুনিল (কেজি ৭৪) য়াইরিপোক পোইরৌ খোংজিল সোরাম লৈকায়দা লৈবা এস সোভা অমদি এস ওংবী ঙাম্বীগী মচানুপা অহলনি।

ত্রাইয়েল সেলেক্সন অসি ন্যু দিল্লিগী বি–৪৯ দিফেন্স কোলোনিদা মমাং থা সেপ্টেম্বর ২৪দা পাঙথোকখিবনি।

# উজবেকিস্তানগী দেনিস ইষ্টোমিননা শেংদু ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী টাইটল লৌখ্রে

শেংদু, ওক্টোবর ১ঃ
চাইনাগী সিটি শেংদুদা পাঙথোকপা শেংদু ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেটচ অদু সাইপ্রসকী মারকোস বাগদতিস শান্নবদা শোকপদগী মেটচ মপুং ফানা শান্নবা ঙমদবনা ইষ্টোমিননা টাইটল অদু লৌখিবনি।



অহানবা সেট অদু দেনিস ইষ্টোমিননা গেম ৩–২দা মাংজিল থাদুনা চৎলিঙৈদা সাইপ্রসকী শান্নরোই মারকোস বাগদতিস তুরকপনি।

মশাগী চহি ৩২ শুরবা মারকোস বাগদতিস মখা তানা শান্নবা ঙমখিদে। মহাক্না ফোঙদোরকপদা চৎলিবা চায়োল অসিদা মখুৱাংদা অনাবা খরা লৈখিবনি। অনাবা অদু ঙসি ফাইনেল মেটচ শান্নরিঙৈ অদুদা হেঞ্জিলকপদগী মহাক পোৎথাবা নত্তনা উপায় লৈখিদবনি।

মহাক্কী খ্বাং নাবগী নুং ঙাইতবা অসি মমাংদা লৈখ্রবসু ঙসি নারক্লিবা মওং অদু অমুক্তা থেংনরখিদ্রিবা অমনি হায়খি।

টাইটল ফঙলবা দেনিস ইষ্টোমিনগী কেরিয়রগী ওইনা হন্দক্কী অসিনা অনীরক শুবা এ টি পি টাইটলনি। মহাক হান্না ৱার্ল্ড রেঙ্কিং ৭৮ দা লৈরম্বদগী ৫৩শুবদা হায়গৎলগনি । অমরোমদা বাগদতিস মকোক থোংবা ১০০গী মনুংদা চল্লগনি।

অতোপ্পা চাইনাগী সিটি সেনজেনদা পাঙথোকপা সেনজেন ওপনগী নুপাগী ফাইনেলদা বেলজিয়মগী দেবিদ গোফিননা য়ুক্রেনগী এলেকজেন্দর দোলগোপোলোপ্পু থোয়দুনা চেম্পিয়ন ওইখি।

# ইম্ফাল ইষ্ট থার্দ দিভিজন ফুটবোল

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১ঃ
ইম্ফাল ইষ্ট ফুটবোল এসোসিয়েসননা শিন্দুনা থা অসিগী ৩দগী অবা গ্রাউন্দ ক্ষেত্রিগাওদা চথরিবা নহাকপম অপাবি মেমোরিয়েল থার্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৭দা ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা এফ সি ইম্ফাল সিটি কোংবনা কে ঐচ ভি ৱাই দি সি লাইফম্বু গোল ২–০দা থোইখ্রে।

টিম ১৪না গ্রূপ ৪ থোক্না খায়দোক্তুনা চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ২৪শুবা লীগ মেটচ ওইনা ঙসিগী মেটচ অদুদা এফ সি ইম্ফাল সিটি কোংবগা কে ঐচ ভি ৱাই দি সি লাইফমগা লম্বা চানা থেংনরবসু এফ সি ইম্ফাল সিটিনা গোল ২–০দা থোইখিবনি।

মেটচ অসিদা এফ সি ইম্ফাল সিটিগী মায় পাকপগী গোল ২ অদু মেটচ অসিগী ২৮শুবা মিনটতা ইথোইনা গোল ১ অমদি ৩৬শুবা মিনটতা নেত্রজিৎনা গোল ১ গা চনখি।

মেটচ অসিদা ৱাই দেবচান্দনা সেন্তর রেফরি, এ অমর্জিৎনা এ আর ১, এন বিকাসনা এ আর ২ অমদি ৱাই ইঙোবিনা ফোর্থ রেফরি ওইনা কন্দক তৌখি।

# ক্রিকেট প্লেয়ার্স এসোসিয়েসন ওফ মণিপুরগী থৌ পুগদবা ওফিসিয়েলশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১ঃ
ক্রিকেট প্লেয়ার্স এসোসিয়েসন ওফ মণিপুরগী ইং ২০১৭–২০২০ ফাওবা থৌ পুগদবা ওফিসিয়েলশিং খনখ্রে।

খল্লবা ওফিসিয়েলশিং অদুদি প্রসিদেন্টদা মোইরাংথেম প্রফুল্লো সিংহ, ভাই প্রসিদেন্টতা থিয়াম ভরত সিংহ, জেনরেল সেক্রেটরীদা অরিবম হোমেশ্বর শর্ম্মা, ত্রেজররদা সৌগাইজম রোবিন্দ্রো সিংহ, জেইন্ট সেক্রেটরীদা লবোই হাওকিপ, এক্সিক্যুটিব মেম্বরদা এস অনন্দ সিংহ, টি ভোগেন্দ্রো সিংহ, সমোম প্রেমাপাটি দেবী অমদি পি টিলোতামা দেবীনি।




Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma**, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*